**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- সরকার অসিগী পান্দমদি- মণিপুরগী চীং অমসুং তম অনিগী মরক্তা খেন্নবা লৈহন্দবনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুর তম্পাক্কী মফমশিংদগী লালহৌলুপশিংগী মীওই ১৮ ফারে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না কোম্বিং ওপরেসন অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

৩) মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিগী পোৎলমশিং য়োকখৎপদা ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নবা মুখ্য মন্ত্রিনা আপীল তৌরি।

৪) লোক সভা এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মৈতৈ-মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা করি থৌরাং পায়খৎলবগে হায়বগী মতাংদা লোক সভাদা পুখৎখ্রে।

অমসুং

৫) সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসিসু চরাংনবা থোকপদগী নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- সরকার অসিগী পান্দমদি- মণিপুরগী চীং অমসুং তম অনিগী মরক্তা খেন্নবা লৈহন্দবনি।

রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী কেবিনেট হোলদা পাঙথোকখিবা গুদ গভর্নান্স ৱিক হৌদোকপগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- সরকার অসিনা খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা অৱাৎ অপাশিং কয়া অদু মেনখৎপা ঙমবা গো টু ভিলেজ হৌদোকখিবনি। লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায়গী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী মরুওহ্বা পান্দমদি রাজ্য অসিগী লন্মী-থোং নিংথিনা ফহনদুনা চাওখৎ লমজেলদা খুমাং চাওশিনহনবনি।

গুদ গভর্নান্স ৱিক হৌদোকপগী থৌরমদা পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহসু শরুক য়াখি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়- সরকার অসিনা মীয়ামগী থবক তৌবদা মনুং মপান ফাওনা অমদি দাইত্ব লৈনা থবক তৌরি। রাজ্য অসি মাঙলোমদা চংশিন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুমনক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ হায়খি।

গুদ গভর্নান্স ৱিক্কী থৌরম ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদসু ঙসিদগী হৌরে। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা জিলা অসিগী শওম্বুংদা লৈবা এস.দি.ও ওফিসতা পাঙথোকখি। থৌরমগী মনুং চন্না মীয়ামদা সরকারগী কান্নবশিং নিংথিনা অমদি নিয়ম চুমা ফংহন্নবগীদমক মীয়ামগী নুমিৎসু পাঙথোকখি। হয়েংনা লংদুম মখা লৈকাই কম্মুনিতি হোলদা অদুগা থা অসিগী ২৩ দনা পোরোমপাৎতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

নোনে জিলাদসু মীয়ামদা লৈঙাক সাসনগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা য়ৌহন্নবগী পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা শিন্দুনা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা সরকারগী স্কিমশিং মীয়ামদা নিংথিনা য়ৌহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

এরেষ্ট (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি অয়ুক থাংমৈবন্দ ৱাথম লৈরক ক্রোসিংদগী কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী মীওই অহুম ফারে। মখোয়দগী নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, মেগজিন অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, মেগজিন অমা, নাইন এম.এমগী কাপ্লা য়ারিবা মরু মরি, সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভ এম.এমগী মরু ৬, মোবাইল হেন্দসেট ৩ অমসুং গাড়ি মচা অমা ফংলে।

ফাগৎলবা মীওইশিং অদু পোৎলমশিং অদুগা কোন্ননা মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী বিজোয়পুর মমাং লৈকাই অমসুং মখা লৈকাইদা ঙরাং থিবা হুন্বগী থবক চথবদা কে.সি.পি. (পিপলস ৱার গ্রুপ)কী মীওই ৬ ফারে। মখোয়দগী মোবাইল হেন্দসেট ৩ ফংলে। ফারবা মীওইশিং অদু মখা তাবা আইনগী থবক চথনবগীদমক ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

মরক অসিদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মন্ত্রিপুখ্রি বজারদগী ঙরাং কে.সি.পি (পিপলস ৱার গ্রুপ)কী মীওই অনি ফারে। মখোয় অদু লন্নাই অমসুং সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়দগী দিমান্দ লেট্টর অনি, কে.সি.পিগী মিংদা ককপা রিসিপ ১৬, মোবাইল ফোন ৩, লুপা লিশিং ২,২০০ য়াওবা মনি বেগ অমা, আই.দি. কার্দ অনি, বেগ অমা অমদি গাড়ি মচা অমা ফংলে। ফাগৎলবা মীওইশিং অদু হৈঙাং পুলিসতা শিন্নখ্রে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লমফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তাঞ্জুল এভিন্যু এরিয়াদগী কে.সি.পি (পিপলস ৱার গ্রুপ)কী মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা ফংলে। পুলিসনা মহাক্কী মথক্তা এফ.আই.আর কেস অমা লৌখৎলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা থি হুন্বগী থবক চথবদা থৌবাল জিলাগী শলুংফমদগী প্রিপাক্কী মীওই ৬ ফাবা ঙমলে।

তেংনৌপল পুলিস, বি.এস.এফ অমসুং ৫ শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবুনা মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা এম. চনৌদা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রে। অদুমওইনমক মীফা মীপুনগী পাউ লৈতে।

থৌবাল পুলিস অমসুং বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবুনসু থৌবাল অচৌবা এরিয়াদা কোম্বিং ওপরেসন চথখ্রে। ইমুং ৪২ গী পুন্না মীওই ১২৪ মচিন হংবগী থবক চথখি। অদুমওইনমক মীফা মীপুনদি য়াওখিদে।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ৫ শুবা শিখ রেজিমেন্ট অমসুং বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবুনা চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা এল. সেমোল ভিলেজদা থি হুন্বগী থবক চথখি। অদুমওইনমক মীফম মীপুনগী

পাউ লৈতে। মরক অসিদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা সি.আর.পি.এফকা লোয়ননা জিলা অসিগী মকৌ পৌরাবীদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা কে.ৱাই.কে.এল অমসুং প্রিপাক্কী লোৎফম কেম্প অনিদগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী কাংবুনা ৬ শুবা এম.আর অমসুং গোর্খা রাইফলসকা পুন্না জিলা অসিগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা বোংবল খুল্লেন অমদি অকোইবগী চীংখোঙ চীংয়াশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রে। মদুদা এস.এল.আর রাইফল অনি, ইন্সাস রাইফল অমা, মেগজিন অমা, ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্সকী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৫ ফংলে।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থম্বু মীনৌ ভিলেজদা থিবা হুন্বগী থবক চথখি। মীফা মীপুনগী পাউ লৈতে।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৩০ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফকা খুৎশমরগা জিলা অদুগী বিজাং ভিলেজদা থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রে। অদুমওইনমক মীফা মীপুনগী পাউ লৈতে।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু সি.আর.পি.এফকা পুন্না টি. খুল্লেনদা ওপরেসন চথখি। মীওই ২৩০ ভেরিফিকেসন তৌখি। অদুমওইনমক মীফা মীপুন য়াওদে হায়রি।

জিরিবাম পুলিসনসু জিলা অদুগী জাকুরাধোর, দুর্গাপুর অমসুং বোরো বেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মফমশিং থিবা হুন্বগী থবক চথখি। মীফা মীপুনগী পাউ লৈতে হায়রি।

মীতিং (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিগী পোৎলমশিং য়োকখৎপদা ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নশি।

রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়ানা সভাপতি ওইদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগী জেনেরেল বোদি মীতিংদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মীতিং অদুদা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিগী মচাকশিং নিংথিনা য়োকখৎনবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

বিমোল (এল)ঃ মণিপুরগী লোক সভা এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মৈতৈ-মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা করি থৌরাং পায়খৎলবগে হায়বগী মতাংদা লোক সভাদা ৱাহং ওইনা পুখৎখ্রে। হান্নদি মসি চিন্না খুমগদবা ৱাহং ওইনা পুখৎখিবনি অদুবু অনষ্টার ক্বেসন ওইনা ওন্থোকখিবনি। মদুগী মতাংদা কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রালয়না পীরকপা পাউখুমদা হায়- মৈতৈ-মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইবতা লিষ্টতা চলহন্নবগী মতাংদা রাজ্য সরকারনা রেজিষ্ট্রার জেনেরেল ওফ ইন্দিয়া অমদি নেসনেল কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবতা থারকপা প্রস্তাব অদু মুন্না খন্নরবা মতুংদা খন্নরবা মতুংদা থবক পায়খৎপা য়াব্রা হায়বদু য়েংশিনগনি হায়বগী ৱাফম পাউখুম ওইনা পীরকখি হায়রি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইজ্‌কেসন্না শিন্দুনা ইম্পৱারমেন্ট ওফ য়ুথস এন্দ ষ্টুদেন্টস হায়বা হিরমদা এক্সটেন্সন টোল্ক অমা দিপার্টমেন্ট অসিগী হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

মীফম (এল)ঃ মেদিকেল ওফিসারশিংগী অখন্নবা ক্লিনিকেল সেসন অমা ঙসিদগী হৌখ্রে। নুমিৎ মরিনি চথ্নগদবা কোর্স অসি লমফেলপাৎতা লৈবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী রেদিএসন ওনকোলোজি দিপার্টমেন্টতা পাঙথোকপনি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা রিমসকী দিরেক্তর-প্রোফেসার জি. সুনিল কুমার শর্ম্মা, রাজ্যগী হেলথ সাভির্সেসকী দিরেক্তর-ডা: চম্বো গোনমৈ, রিমস রেদিএসন ওনকোলোজিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট-প্রোফেসার ৱাই. সোবিতা

দেবী অমসুং ইন্সটিট্যুট ওফ পেলিয়েটিব মেদিসন-কেলিকটকী দিরেক্তর-ডা: সুরেস কুমার শরুক য়াখি৷

টিবি (এল)ঃ নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম থৌবালনা শিন্দুনা ঙসি জিলা অসিগী ইরোম থোকচোমদা টি.বি. লায়না স্ক্রিনিং তৌবা অমসুং এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ৫০ রোম টি.বি. লায়নাগী স্ক্রিনিং তৌখি।

এৱারনেস (এল)ঃ নোন কম্যুনিকেবল দিজিজগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবা অমসুং স্ক্রিনিং তৌবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নোংগ্রেনদা লৈবা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দিরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। নোন-কম্যুনিকেবল দিজিজ সেল ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নোংগ্রেন অমদি অকোইবদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াখি।

কাউন্সিল (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী ক্লাস এলেভেন অমসুং তুয়েল্ব পরিক্ষাগী এদমিট কার্দ থা অসিগী ৩০ দগী পীবা হৌরগনি। মরী লৈনবা স্কুলশিংগী হেদশিংনা মশা লাক্তুনা নত্রগা মশক খঙবা মীওইশিং কাউন্সিলগী ওফিসতা থারক্তুনা লৌরবা য়াগনি। কাউন্সিলগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- জিরিবাম অমসুং বোরো বেক্রা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিং য়াওনা চীংগী জিলাশিংগী স্কুলশিংগী ওইনা এদমিট কার্দ লৌনবগীদমক ওনলাইনদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি।

পেন্তিং (এল)ঃ অসামগী কছারদা লৈবা য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন লখিপুরনা শিন্দুনা নুমিৎ ১০ নি চত্থগদবা স্কল্পচর এন্দ পের্ন্টিং ফাউন্দেসন কোর্সকী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা সাউথ বরাক কমপ্লেক্সতা ঙসিদগী হৌখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা মণিপুরগী থোইথোইবা ময়াংলম্বম য়েলহৌ লংপোক পেন্টরনা তাকপী তন্বীরি। থৌরমগী মনুং চন্না লাইয়েকপা চাংদমবা অমসু পাঙথোক্কদৌরি।

এআর (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী কে. সোংলুং ভিলেজদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা অসাম রাইফলসনা চান-থকবা পোৎলমশিং অমদি সোলর লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ জ্লোজি অমদি ভারত বিকাশ পরিষদনা শিন্দুনা নুমিৎ হুমিগী ওইবা ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ দিভলপমেন্ট থ্রু এক্বা পোনিক্সকী থৌরম ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ঙামী ২৫ রোমদা ঙাগী মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং টেষ্ট তৌনবা খুৎলায়শিং য়েন্থোকখি।

থোং (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলোং থোং হয়েং নুংথিলদগী থা অসিগী ২৭ ফাওবা চৎথোক চৎশিন থিংলগনি। পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- থোং অসি শেমজিনগদবগী মরমা অথিংবা অসি থম্বনি।

তোবেক্কো (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা মালেমগী হিদাক মনা শিজিন্নদবা নুমিৎ থৌরম ইম্ফাল ইষ্টকী সি.এম.ওগী ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হিদাক মনা শিজিন্নবনা হকচাংদা মাংহনবা কয়াগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনখি।

ফয়ার (এল)ঃ মণিপুর ফয়ার সার্ভিসনা শিন্দুনা নুমিৎ অনিনি চথরকপা বেসিক লাইট এন্দ ফয়ার সেফতি ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে। প্রোগ্রাম অদু ফয়ার সবষ্টেসন চান্দেল অমসুং তমেংলোংদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা হোস্পিতাল অমদি স্কুলগী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি। খুদক্কী ওইনা মৈহৌ লংপোক থোরক্লকপদা করমা থেংনগনি হায়বনচিংবা কয়া অখঙ অহৈশিংনা তাকপী তন্বীখি।

থৌবাল (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া তানজিম ই ইন্সাট নেসনেল কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম শাগৎপা নুমিৎ থৌরম জিলা অসিগী হাওরৈবী তুরেল অহনবীদা লৈবা সেন্ত্রেল ইদিগাদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমক নুংশি চান্ননা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎমিন্নশি হায়বা ৱাফম শরুক য়াখিবশিংনা ফোংদোকখি।

এম্বুলেন্স (এল)ঃ রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা এম্বুলেন্স অমা চুরাচান্দপুরগী চীফ মেদিকেল ওফিসারদা ঙসি খুৎশিন্নখ্রে। খুৎশিন্নবগী থৌরম জিলা অদুগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কেম্পসতা ঙসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনসু শরুক য়াখি।

সংসদ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ভারত সংবিধানগী মপা ডাঃ বি.আর. অম্বেদকরদা ফজদবা ৱাহে ৱাতা শিজিন্নে হায়বগী ৱাহৌদা চরাংনবা থোকপদগী সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম নিংথিনা চথবা য়াখিদ্রে। হিরম অসিগা মরী লৈননা মীফম নিংথিনা চথবা য়াদবা ঙসিগা থানা নুমিৎ নিনি শুরে।

লোক সভাগী মীফম য়েথোক্লুরবা তুংদা নুংথিল পুং ২ দা অমুক মীফম হৌরকপদা কংগ্রেস, দি.এম.কে, সমাজৱাদি পার্তি অমদি অতৈ দলশিংগী এম.পিশিংনা গৃহ মন্ত্রিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউবগা লোয়ননা সভাগী ময়াই তমা চংশিল্লকখি। এম.পি. খরা অমদি অধ্যক্ষগী চৌক্রি মনাক য়ৌশিল্লকখি। ফিভম অদু লাকপদগী অধ্যক্ষনা সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখি।

রাজ্য সভাদসু অহৌবদা মীফম চথবা য়াদবদগী য়েথোক্লুরবা তুং নুংথিল পুং ২ দা মীফম অমুক হৌরকপদা চপ মান্ননা চরাংনবা থোকপদগী মীফম য়েথোকখি।

জেকে ঃ জম্মু কাশ্মিরগী কুলগাম জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা টেরোরিষ্টশিংগা খুৎ থোকবদা টেরোরিষ্ট মঙা শিরে। মফম অদুদা টেরোরিষ্ট

লৈরে হায়বা অককবা পাউ ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্সবগী থবক চথবদা মফম অদুদা লৈরম্বা টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপথোরকখিবনি হায়রি। সেক্যুরিতি ফোর্সনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা টেরোরিষ্ট মঙা অদু লৈখিদবনি।

পাতেল ঃ  কেন্দ্রগী হকশেলগী রাজ্য মন্ত্রি অনুপ্রিয়া পাতেলনা হায়রি- লৈবাক অসিগী হকশেলগী ফিভম ফগৎলকপা অমদি লায়েংবদা চংবা পোৎলমশিং মরাং কায়না পুথোকপা মরমা হকশেলগী লম অসি সন রাইস সেক্তর হায়না খঙনরে। অনা লায়েংগী পোৎলমশিং পুথোকপদা এসিয়াদা জপান, চাইনা অমদি সাউথ কোরিয়াগী মথংদা ভারতনা মরিসুবা মফমদা লৈরে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ মরিশুবা মাস্তর ডাক্তর মোইরাংথেম মনাওতোন সিংহ অমদি এম. চন্দ্রসাখি দেবী মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ-২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ক্লেকনা টি.বি.এস.এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ু.ভি.এস.এনা কামোং টিমবু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে.সি.দি.ও কোংপালনা এস.য়ু. শগোলবন্দবু ৱিকেট মঙাদা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.এস.য়ু শিংজমৈ ককৱানা এস.দি.সি লাইফমখুনৌবু রন ১৪৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা দব্লিউ.ৱাই.সি থৌবাল ৱাংখেমনা পি.এস.সি খোয়াথোংবু রন ১২৮ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু ৱিকেট ১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট-২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আর.ই.ৱাই.এস নাগামপালনা কে.সি.সি কোংববু রন ২৯ তা মায়থিবা পীখ্রে। রন ৫৭ লৌখিবা আর.ই.ৱাই.এস নাগামপালগী চীংখৈনা মেন ওফ দা মেটচ তাখ্রে।

সেপাক তাক্রৌ (এল)ঃ অন্ধ্র প্রদেশকী নন্দয়ালদা মথং চহি জনুৱারি ২৯ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ২৮ শুবা জ়নিয়র নেসনেল সেপাক তাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ ফোর বোইজ এন্দ গার্লসকী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি।

ওল মণিপুর সেপাক তাক্রৌ এসোসিয়েসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়-মণিপুরগী টিম শেমবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ২৯ দগী ৩১ ফাওবদা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

অমরোমদা, কেরলাদা পাঙথোক্কদবা ২৭ শুবা সব-জ়নিয়র নেসনেল সেপাক তাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ ফোর বোইজ এন্দ গার্লসতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মীং লাউথোক্লে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা নুপামচা ১৫ অমসুং নুপীমচা ১৫ পুন্না শান্নরোই ৩০ খল্লে হায়রি।

------